**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-10.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রিনা স্কিল ট্রেনিং তৌরিবা নহাশিংগা ৱারী শান্নখ্রে, ট্রেনিং ফংলবা নহাশিংদা থবক হৌদোকবা শেলগী তেংবাং পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

২) মণিপুরগী রাজ্যপাল লক্সন প্রসাদ অচারিয়ানা হায়রি- মণিপুরগী কলা অমসুং সংস্কৃতি অসি ভারতকীদা নত্তনা মালেম অসি অমত্তা ওইনা পুনশিনহনবদা অচৌবা শরুক অমা ওইরি।

৩) রাজ্যগী প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জর্বেতর ওফ ফোরেষ্ট অনুরাগনা হায়রি- মাংশিল্লক্লিবা লম্লক্কী শা-উচেকশিং য়াওনা ৱাইল্ডলাইফ কন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী চাউরবা থৌদাং লৈ।

৪) ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট কল্যান চৌবেনা ফোংদোকখিবনি হায়বা ৱাফম অদু অরানবনি, ফেদরেসনবু লান্না উহন্নবা হোৎনবনি হায়রি।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি- সরকারগী আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনানা ঙসি ফাওবদা ইমুং মিল্লিয়ন ১২০ দা কান্নবা পীখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ  রাজ্য অসিদগী তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা ত্রেনিং তৌরিবা নহাশিংদা মণিপুর সরকারগী মাইকৈদগী মখোয়গী থবক হৌদোকচনবা অখন্নবা শেলগী তেংবাং পীবগা লোয়নননা মখোয়না মণিপুরগী ৱাংমদা থবক ফংবদা সরকারনা পাংফম থোকপা মতেং পাংলগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখ্রে।

দিল্লিগী হিন্দু কলেজদা কেন্দ্রগী তুরিজম মন্ত্রালয়গী হুনর সে রোজগার স্কিমগী মখাদা পায়খৎপা হোস্পিতালিতি সেক্তর অমদি পার্ফ্যুমরিগী ত্রেনিং ফংলবা নহাশিংগা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ৱারী শান্নবদা ৱাফম অসি মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- স্কিম অসিগী রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা নহা ৭৮ য়াওনা পুন্না নহা ৪০০ রোমদা ত্রেনিং পীরি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা নহা ১৬৯ দি তোঙান তোঙানবা কম্পনিশিংদা থবক ফংখ্রে। হন্দক্তা দিল্লিগী হিন্দ্ কলেজদা পাঙথোকখিবা চয়োল অহুমগী পার্ফ্যুমরি ত্রেনিংদা শরুক য়াখিবা নহা ৩০ সু য়াওখি। মদুগী মনুংদা নহা ১৫ দি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংনি। মহাকা হায়- পার্ফ্যুমরিগী ত্রেনিং অসি মায় পাকা তৌরক্লবা লমদমসিগী নহাশিংনা মখোয় মখোয়গী ওইবা থবকশিং হৌদোকচনবা হোৎনবদা সরকারনা লুপা লিশিং ৫০ গী তেংবাং পীগনি। মসিগা লোয়নননা অতোপ্পা সেক্তর কয়াদা ত্রেনিং ফংলবা নহাশিংনা মপান লমদা থবক ফংবা মতমদা মখোয়গী লৈফম চাফমগীদমক লুপা লিশিং ৫ গী শেনফম পীবগা লোয়নননা মখোয়না মণিপুরদগী অহানবা চৎখিনবা হোৎনবা মতমদা সরকারনা ফ্লাইটকী অখন্নবা থৌরাংসু পায়খৎনবা হোৎনগনি।

উন্নবা অদুদা হন্দক শ্রী নোংথোম্বম বিরেন্না রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী দিপ্যুতি কম্মিসনারশিং অমদি অতোপ্পা বিভাগকী ওফিসিয়েলশিংনা ত্রেনিংশিং অসি মায় পাকা পাঙথোকবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবগীদমক মখোয়বু থাগৎপা ফোংদোকখি। মসিগা লোয়নননা শ্রী বিরেন্না  লুচিংবা সরকার অসিনা নহাশিংগীদমক তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎপীরকপা অসিগীদমক ত্রেনিং ফংলবা অমদি থবক ফংলবা নহাশিংনসু

সরকার অসিবু থাগৎপা ফোংদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা মন্ত্রিশিং- থোঙাম বিশ্বজিৎ সিংহ, অৱাংবৌ নিউমাই, খাসিম ভাসুম, ডাঃ সাপম রঞ্জন অমদি এম.এল.এ কয়া য়াওনা ওফিসিয়েশিংসু শরুক য়াখি।

গভর্নর (এল)ঃ  মণিপুরগী রাজ্যপাল লক্ষ্মন প্রসাদ অচারিয়ানা হায়রি- মণিপুরগী কলা অমসুং সংস্কৃতি অসিনা ভারত খক্তা নত্তনা মালেম অসি অমত্তা ওইনা পুনশিনহনবদা অচৌবা শরুক অমা ওইরি। রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুর অমসুং জে.এন. মণিপুর ডান্স একাদমিনা শিন্দুনা উত্তর প্রদেশকী অযোধ্যাগী রাম মন্দিরদা ঙরাং পাঙথোকখিবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা লৈখিদবগী ২২৬ শুবা কুমওন থৌরমদা মহাকা মখা তানা হায়- মণিপুর অসি ঈশ্বরবু চেৎনা থাজবা রাজ্য অমনি। লমদম অসিদা লৈরিবা জে.এন. মণিপুর দান্স একাদমি অমদি সঙ্গিৎ নাটক একাদমিনা মণিপুরগী কলা সংস্কৃতিবু মালেমদা শক তাকবা হোৎনরিবা অসিদা রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা জে.এন. মণিপুর দান্স একাদমিগী দাইরেক্তর- পি. বিলাস, রাজর্ষি ভাগ্যচান্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুরগী এদভাইজর আর.কে. রাধামোহন য়াওনা ষ্টেট কলা একাদমি নিউ দিল্লিগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ   অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ভারতকী ঐতিহাসিক ওইরবা মফমশিংগী মতাংদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা ঙসি কাংপোকপী জিলাগী এল. হেংজোলদা পাঙথোকখ্রে। হেদক্বাটর আই.জি.এ.আর (ইষ্ট)না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- থৌরম অসি হৌরক্লিবা নহাশিংদা লৈবাক অসিগী লৈজরিবা ইতিহাসিক ওইরবা মফমশিং অমদি মরুওইবা পোৎলমশিং অসি খঙহন্নবগীদমক পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা মহৈরোই অমদি ওজাশিংনা শরুক য়াখি। কলচরেল হেরিতেজ য়োকখৎপদা অসা রাইফলসনা লৌরিবা থৌদাংশিংগী মতাংদসু ঙসিগী থৌরম অদুদা উৎখি।

রিজল্ট (এল)ঃ  অকাশবানি ইম্ফালগী কেজ্যেল জেনেরেল এন্নাউসর লৌবগী আইবা চায়েং পরিক্ষাগী ফল লাউথোক্লে। পরিক্ষা অসিদা মায় পাক্লবা সেরিয়েল নম্বর ১ দগী ৪১ ফাওবদা লৈবা কেন্দিদেটশিংগী ওদিসন্না থা অসিগী ১১ দা, সেরিয়েল নম্বর ৪২ দগী ৮২ ফাওবনা থা অসিগী ১৪ দা অমদি সেরিয়েল নম্বর ৮৩ দগী ১২৪ ফাওবনা থা অসিগী ১৫ দা পাঙথোক্লগনি। কেন্দিদেটশিংনা ওদিসন য়াওবা লাকপদা এদমিত কার্দ পুরক্কদবনি। অকুপ্পা মরোল অকাশবানি ইম্ফালগী ফেসবুক পেজদগী খঙবা য়াগনি।

ৱাইল্ডলাইফঃ   রাজ্যগী প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জর্বেতর ওফ ফোরেষ্ট অনুরাগ ভাজপায়না হায়রি-মাংশিল্লক্লিবা লম্লক্কী শা-উচেকশিং য়াওনা ৱাইল্ডলাইফ কন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী চাউরবা থৌদাং লৈ।

৭০শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক ২০২৪ থৌরমগী মনুং চন্না ৱাইল্ড লাইফ কঞ্জর্বেসন থ্রু কো একজিষ্টেন্স হায়বা হিরমদা মণিপুর সরকারগী ৱাইল্ড লাইফ ৱিং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা হৌজিক হোটেল ইম্ফালদা চত্থরিবা ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রী অনুরাগনা হায়-ৱাইল্ডলাইফ কনবদা সরকারগী মরি লৈনবা বিভাগশিং খক্তা নত্তনা তোঙান তোঙানবা লূপশিং, সি.এস.ওশিং অমদি মীয়ামগী চাওরবা দাইত্ব লৈ। মরম অসিনা লমলক্কী শা-উচেকশিং য়োকখৎপা অমদি ৱাইল্ডলাইফ কনবদা পুমমকা লৌবা য়াবা থৌদাংশিং অদু লৌমিন্নশি।

থৌরম অদুদা এদিসনেল প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্বেতর ওফ ফোরেষ্ট এদমিনিষ্ট্রেসন এন্দ প্লান্নিং সোরৈফি ভাসুম, চীফ কঞ্জার্বেতর ওফ ফোরেষ্ট ৱাইল্ড লাইফ এল.জোইকুমার য়াওনা এক্সপর্ট কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা সেসনশিংদা ৱাইল্ডলাইফকা মরি লৈননা এক্সপর্টশিংনা চে পাথোকখি।

ফুটবোল (এল)ঃ  ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ.আই.এফ.এফ)কী প্রসিদেন্ট কল্যান চৌবেনা ফোংদোকখিবনি হায়বা ৱাফম অমা ভাইরেল ওইরক্লিবা অসিগী মতাংদা ফেদরেসন অসিগী মাইকৈদগী শেংদোরক্লি।

এ.আই.এফ.এফনা থাদোরকপা শেংদোক ৱারোল অমদা হায়- অৱাং নোংপোক লমদমগী ফুটবোল শান্নরোইশিংগী মতাংদা ফোংদোকপা ৱাফম অদু শ্রী কল্যান চৌবেনা পাব্লিক প্লেটফোর্মদা ফোংদোকখিবা লৈতে। শ্রী চৌবেনা ষ্টেট রিজন নত্রগা ইথনিক সিতিগী ফুটবোল্লরশিংগী মতাংদা ৱারোল অমত্তা পীখিবা লৈতে। হায়রিবা থৌদোক অসি মীয়ামদা লান্না শন্দোক্তুনা ইন্দিয়ান ফুটবোলবু মীংচৎ থিনবা শিনবনি হায়না এ.আই.এফ.এফকী মাইকৈদগী ফোংদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, শ্রী চৌবেনা অৱাং নোংপোক লমদমগী ফুটবোল শান্নরোইশিং অসি হৈথোই শিংথোইরবসু ৱাংবগী চাং ৱাৎলি। মরম অসিনা অৱাংবা মীওইশিং লৈবা রাজস্থানগুম্বা রাজ্যগী শান্নরোইশিং ফেদরেসন্না শেমগৎনবা হোৎনরগনি হায়না নেসনেল মিদিয়া কয়াদা ফোংনখিবনি। মহাক্কী ৱারোল অসিবু মাইকৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোকখিবসু লৈখ্রবনি।

এৱারনেস (এল)ঃ শ্রীশ্রী গৌরগোবিন্দ গার্লস কলেজ খুরাইগী আই.কিউ.এ.সি, এন.এস.এস, আর.আর.সি অমদি মেক্স মণিপুরগা খুৎশমদুনা ঙসি কলেজ অসিদা ঐচ.আই.ভি-এইদস অমদি এস.টি.দিগী মতাংদা পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ঐচ.আই.ভি-এইদস করমা শন্দোকপগে অমদি করমা থিংগদগে হায়বগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ নোর্থ ইষ্টর্ন থিয়েটর এসোসিয়েসন (নেতা) হৈঙাংনা শিন দুনা থা অমা চুপা চথুরকপা থিয়েত্রিকেল ম্যুজিক ৱার্কসোপ ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খাবম চুম্ব্রেথোংদা লৈবা নেতাগী ওফিসতা লোইশিনখ্রে।

ৱাকৎ (এল)ঃ মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা কুকিশিংনা দ্রোন বোম্বিং তৌখিবা লৈতে হায়না হন্দক চীফ ওফ আর্মি, জেনেরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা ঙসি ককচিং জিলাগী কৈরক য়াৱাবুং মার্কেট সেদতা ৱাকৎ মীফম ফমখি। কৈরক য়ুনাইতেদ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন অমদি কৈরক অপুনবা মৈরা পায়বীনা শিন্দুনা চথুখিবা ৱাকৎ

মীফম অদুদা আর্মি চীফনা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাংবু করিসু থৌওইদনা লৌবা য়ানিংদে, ইরাং অসি নৈঙাকা অথুবা মতমদা লোইশিল্লু হায়বনচিংবা প্লেকার্দশিং পায়খি।

য়ুএনএলএফ (এল)ঃ নুপী খুন্নাইবু শিংনবা অমদি নুপীবু হন্থনা য়েংবগীদমক হৈঙাংদগী রোমারিওবু কোইরেংনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফনা চৈরাক পীখিবনি হায়রি।

লুপ অসিগী পাব্লিসিতি সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ঙরাং য়াইরিপোক পেচি চীংলক্তা হৈঙাং ময়াই লৈকাইদগী খোইনাইজম রোমারিও মফৈগনদা নোংমৈনা কাপখিবা অদু কোইরেংনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী টাস্ক ফোর্স কাংবুনা তৌখিবনি। রোমারিওনা নুপী খুন্নাইবু শিংনদুনা অমদি খুন্নাইগী চৎনবীগী ৱাংমদা নুপীশিংবু হন্থনা য়েংবগীদমক চৈরাক অসি পীখিবনি। লুপ অসিনা মখা তানা খুন্নাইগী চৎন লোনচৎ থুগাইরকপা অমদি অরানবা মওংদা শেল তাল্লিবশিং খুদক্তা লেপবা খঙহল্লক্লি।

লৌমী লুপ (এল)ঃ মণিপুর লৌমী লুপনা হায়রি- চহি অসিগী মে থাদগী ওগষ্ট ফাওবদা রাজ্য অসিদা থেংখাং অহুম্লক ঈশিং ঈচাউ মায়োকখিবা অদুগা মরী লৈননা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফন্দ অমসুং নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফন্দগী কাইথোরকখিবা শেনফমশিং অথুবদা অৱাবা মায়োক্নরিবা লৌমী অমদি ঙামীশিংদা মতম চানা ফংহনবীয়ু।

হোমগার্দ (এল)ঃ মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ি ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না লৈখিদ্রবা হোম গার্দ পার্সোনেল অহুমগী ইমুং মনুংদা স্কিমগী শেনফমশিং খুৎশিন্নখ্রে। মণিপুর হোর্ম গার্দ ৱেলফ্যার স্কিমগী মখাদা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা অমদি লৈখিদ্রবা পার্সোনেলশিংদা পীবা শেলগী তেংবাং অদু ঙসি এসোসিয়েসন অসিনা লমফেলপাৎতা লৈবা হোম গার্দ হেদক্বাটরদা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা খুৎশিন্নখিবনি।

সেনাপতি (এল)ঃ সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ভেটেরান ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৪ গী অনিসুবা ইদিসনগী ৱিন্নর মখ্রেলুই ভেটেরান ফুটবোল এসোসিয়েসন্না ওইরে। ঙসি জিলা অসিগী এষ্ট্রোটর্ফ ফুটবোল গাউন্দদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মখ্রেলুই ভেটেরান ফুটবোল এসোসিয়েসন্না কতোমৈ এরিয়া ভেটেরান ফুটবোল এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

নদ্দা ঃ কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জগৎ প্রকাশ নদ্দানা হায়রি- সরকারগী আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনানা ঙসি ফাওবদা ইমুং মিল্লিয়ন ১২০ দা কান্নবা পীখ্রে অমদি চহিগী ওইনা ইমুং অমমমদা দোল্লর লিশিং ৬ ফংহনখ্রে।

ৱাফম অসি ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন সাউথ ইষ্ট এসিয়া রিজনগী ৭৭ শুবা মীফমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- মালেমগী ওইনা ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন্না গ্লোবেল ত্রেদিসনেল মেদিসিন সেন্তর শেম্বদা ভারতনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। শ্রী নদ্দানা হায়- ইং ২০১০ দগী হৌদুনা ভারতনা নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর প্রিভেন্সন এন্দ কন্ত্রোল ওফ ননকম্যুনিকেবল দিজিজেস চৎনহল্লি। থৌরাং অসিগী মখাদা ভারতকী ওইনা এন.সি.দি ক্লিনিক ৭৫৩, দে কেয়ার সেন্তর ৩৫৬ অমদি কম্যুনিতি হেলথ সেন্তর লিশিং ৬,২৩৮ হাংদোক্তুনা থল্লি।

পনবা য়াবদি, ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন সাউথ ইষ্ট এসিয়া রিজনেল কমিতিগী ৭৭ শুবা মীফম অসিগীদমক শ্রী নদ্দাবু চেয়ারপার্সন ওইনসু খনখ্রবনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- য়ুমলোন্নবা লৈবাক অমা ওইনা ভারতনা মোলদ্বিপসকীদমক লৌফম থোকপা থৌদাং লৌরি। মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা মোলদ্বিপসকী রাষ্ট্রপতি ডাঃ মোহামদ মুইজ্ অমদি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা ৱারী শান্নরবা তুংদা পুন্না থোকপা চেরোল অমদা হায়- মোলদ্বিপসকী মীয়ামগীদমক তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং ফংহনবতা নত্তনা মহৌশানা থোকহনবা অমাং অতা থোরকপদা থকবা অফবা ঈশিং ফংহনবদা অমদি কোবিদ

নাইন্তিনগী মতমদা ভেক্সিন কাপথোকপদা চাউনা মতেং পাংখি। শ্রী মোদিনা হায়- ভারত অমসুং মোলদ্বিপসকী লৈনরিবা মরী অসি লীরবা অমদি য়ামা নকশিন্নবা মরীনি। যুমথংনবনা হান্না হায়বা পোলিসি অমদি সাগর ভিজনদা মোলদ্বিপসনা মরুওইবা মফম অমা কল্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা অমদি রাষ্ট্রপতি ডাঃ মুইজ্‌না মোলদ্বিপসকী হনি মাধু ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টকী রনৱে ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা পুন্না শঙ্গাখি অমদি লৈবাক অদুদা নৌনা পুথোকখিবা রুপে কার্দ পেমেন্টকী অহানবা ত্রান্সসেক্সনসু লুচিংবা অনিনা তৌখি। মসিগী মথক্তা লুচিংবা অনি অসিনা তোঙান তোঙানবা এম.ও.য়ু কয়াসু সহি তৌনখি। মদুগী মনুংদা শেঞ্জা থুমজা মুখৎপা, জ্‌দিসিয়ারি অমদি যুথ এন্দ স্পোর্টসকী মতাংদসু য়াওরি।

চৌহান ঃ লৌউ শিংড মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়রি- লৈবাক অসিগী লৌউ শিংউদা হেন্না খুমাং চাওশিন্নবগীদমক সরকারনা কন্না হোৎনরি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা লৌমী অমদি লৌমী লুপশিংগা উন্নবগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়- লৌমীশিংদা হেন্না কান্নহন্নবগীদমক সরকারনা থবক কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি। খুদম ওইনা কৃসি বিকাশ য়োজনা অমদি ফসল বিমা য়োজনা পায়খৎতুনা লৌমীশিংদা কান্নবা ফংহল্লি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ভারতিয়া কিষান যুনিয়ন দিল্লিগী চেয়ারমেন ছতিস লম্বদরনা হায়- লৌমীশিংনা পুখৎলকপা ৱাফমশিং অদু সরকার অসিনা থবক্তা ওন্থোরক্কনি হায়বগী থাজবসু লৌউ শিংউ মন্ত্রিনা পীরমখি।

ভোটঃ হরিয়ানা য়াওনা জম্মু কাশ্মীর বিধান সভা মীখলগী ভোট মশিং হয়েং থিনবগীদমক মপুং ফানা শেম শাবা লোইরে। হরিয়ানাদা বিধান সভা কেন্দ্র ৯০গী কাউন্তিং সেন্টর ৯০ হাংদোক্লে। চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার পঙ্কস অগরৱালনা হায়- কাউন্তিং সেন্তরশিং অসি রাজ্য অদুগী জিলা ২২গী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরসশিংদা শেম্বনি।

নোংঃ মেট বিভাগ হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ ৫-৬নি অসিদা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংদা অকনবা নোং চুগনি। বিভাগ অসিনা মখা তানা হায়- ঙসি মণিপুর, মিজোরাম, নাগালেন্দ অমসুং ত্রিপুরাদা অকনবা নোং চ্গনি। লাক্লিবা নুমিৎ ৫ নি অসিদনা অসাম, মেঘালয়, অরুনাচল প্রদেশতসু অকনবা নোং চুগনি।

খা ভারতকী মফমশিং নোংচুপ থংবা কর্নাতক্কাদা হয়েং ফাওবদা অকনবা নোং চুরবা য়াই। থা অসিগী ১২ ফাওবদনা লক্সদিভ, কেরলা অমসুং মাহেদা নোং চুগনি। তামিলনদু, পুদুচেরি অমসুং করাইকালদসু লাক্লিবা ইরাই নুমিৎ ফাওবা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

------